# মাওইষ্ট টোপ লীদর অরুন ভট্টচার্জি এলাইজ কনচন দা কছারদগী ফারে

গুৱাহাটি, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

মাওইষ্টকী টোপ লীদর মীয়াম্না কনচন দা হায়রগসু খঙনবা অরুন কুমার ভট্টচার্জি অমদি মহাক্কা লোয়নবা মীওই অমগা কছার দিষ্ট্রিক্টতগী অসাম পুলিসনা ফারে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফোঙদোরকপদা চহী ৭০ শুরবা অরুন কুমার ভট্টচার্জি অসি সী পি আই মাওইষ্টকী সেন্ট্রেল কম্মিটি মেম্বর ওইবদা নত্তনা মহাকপু হীংনা অমদি শিনা ফাবা ঙমবদা লুপা লাখ ৩ গী রিৱার্দসু লাউথোকখ্রবা মীওইনি হায়খি।

মাওইষ্ট লীদর কনচন দা চথোক-চৎশিন তৌরে অমদি অসামগী কাছার অমদি দিমা হশাও দিষ্ট্রিক্ট অমসুং মণিপুরগী টমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ট্রাই জঙ্কসন এরিয়াদা অকি তুজুংবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলে হায়বগী অকক্লবা পাউ ফঙবদগী অসাম পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থিবা হুস্বগী ওপরেসন অমা লোঞ্জ তৌখি।



ওপরেসনগী মনুংচন্না কছার দিষ্ট্রিক্টকী উদর্বান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থালিগ্রাম, নাগাদোং অমদি পাটিমারা চা বগানগী মফমশিংদা থিবা হুস্বগী থবক চথবদা মাওইষ্ট লীদর অদু পাটিমারা চা বগানগী নম্বর লাইন ১৬ দগী ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৩,৬০,০০০, লেপ্টোপ অমা অমদি অতোপ্পা চে-চাংশিংসু ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

থিবা হুস্বগী ওপরেসনগী মনুংচন্না পুলিস টিম অদুনা মাওইষ্টকী অতোপ্পা কেদর অমগসু ফাবা ঙমখি। ফারবা অদুগী মমিংনা অকাস ওরাং এলাইজ রাহুল এলাইজ কাজলনি।

পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা ফারবা অকাস অসি সী পি আই মাওইষ্টকী অসাম ষ্টেট ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মেম্বর ওইবদা নত্তনা কনচন দাগা য়াম্না নক্লবা মীওইনি হায়খি।

অৱাং নোংপোক্কী মফমশিংদা অমদি মরুওইনা অসামদা সী পি আই মাওইষ্টনা মখোয়গী ওর্গনাইজেসনগী মরা তানবা হোৎনৈ অমদি অসামদা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা য়ানবা ইষ্টর্ন রিজনেল ব্যুরোদগী ফন্দ ময়াম অমা লৌথৈ হায়না পুলিসনা মখা তারি।

জোটিস, কবির অমদি কানক হায়রগসু খঙনবা কনচন দা অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হৌরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা সিবপুরদগীনি। মহাক অসাম অমদি অৱাং নোংপোক্কী মফমশিংবু কম্মান্দ তৌনবা থৌদাং শীন্নরকখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিনা ৱাখল্লোন মান্নবা ওর্গনাইজেসনশিংগা পুশিন্নদুনা অৱাং নোংপোক্তা রেদ কোরিদোর অমা শেমদুনা লান তৌনবা থৌরাং শীল্লি।

লোনা থিংখ্রবা লালহৌলূপ অসিনা অতোপ্পা রিজনেল কম্মিটিশিংগী মতেং লৌদুনা অসাম মনুংদা নীংথিনা কম্মান্দ অমদি কন্ট্রোল তৌবা য়ানবা কোর কম্মিটি অমা শেম্নবসু থৌরাংলমখি হায়রি।



মালেমদা পোলো মশান্নবু খুদোল তৌই হায়না চাওথোকচরিবা ষ্টেট অসিদা কনানসু য়েংশিনবিনবা লৈতবগুম পোনীশিংনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী চিদায়দা শেংদোকপীনবা লৈতবগুম চাইরিবা অমোৎ-অকায়শিংদা অহিংদা চাক্তাবগী শক্তম *(ফোটো - এম জেমচন্দ্র)*

# বোর্দর ভিলেজ ৩৬ কী মনুংদা ৩০ দি মেঘলায়াদা লেঙদনা লৈগনি : সী এম সংমা



শিল্লিং, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

অসাম অমদি মেঘলায়া অনীগী ঙমখৈগী লোন্নবা মফমদা লৈরিবা খুঙ্গং ৩৬ কী মনুংদা ৩০ দি মেঘলায়াদা লৈরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা হায়খ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা মেঘলায়াদা লৈগদৌরিবা খুঙ্গং ৩০ গী পাক চাউবা অসি স্কার কিলোমিটর ১৮ নি অদুগা অপূনবা খুঙ্গং ৩৬ কী পাক চাউবা অসি স্কার কিলোমিটর ৩৬.৯ নি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, মেঘলায়া অমদি অসাম লৈঙাক অনীনা কুপ্না খন্নরবা মতুং হান্নবা খন্দোক্তুনা লৈখ্রবা মফম ১২গী অতোপ্পা অনৌবা মফমশিং হাপচিল্লক্তবা হায়না ষ্টেট অনীনা য়ানখি। মেঘলায়া লৈঙাক্না খুঙ্গং ৩৬ ক্লেম তৌবদা অসাম-মেঘলায়া অনীগী রিজ নেল কম্মিটিশিংনা খুঙ্গং ৩০ দি মেঘলায়াদা লৈনবা রিকমেন্দ তৌনবা খঙহল্লকখিবনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা, মেঘলায়ানা ক্লেম তৌবা তারাবরিগী মনুংচন্না লৈবা খুঙ্গং ৮ পুম্নমক ষ্টেট অসিগী মনুংদা লৈরগনি অদুগা গিজাংগী ওইনা খুঙ্গং ৩ গী মনুংদা ২, হাহিমগী ওইনা খুঙ্গং ১২ গী মনুংদা ১১, বোক্লাপারাগী খুঙ্গং ২গী মনুংদা ১, খানাপারা-পিলংকতাগী ৬কী মনুংদা ৫ অমদি রাতাচেরাগী খুঙ্গং ৫ গী মনুংদা ৩ মেঘলায়াদা লৈরগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অনীসিগী রিজনেল কম্মিটিশিংনা খুঙ্গং খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা ৱা খন্নরি অদুবু খুঙ্গংশিং অদুগী চপ-চাবা মফমদি সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী মতুংইন্না লেপকনি হায়খি।

## ক্রোর ৩ হেনবগী হিরোইন ফারে

আইজোল, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

ইনস্পেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলসকী লমজিং মখাদা হেদক্বাটর ২৩ সেক্টর অসাম রাইফলসকী সর্চিপ বট্টালিয়ননা ইন্টর্নেসনেল মার্কেটতা লুপা ৩,১২,০০,০০০ ওইগদবা হিরোইন মিজোরামগী চাম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা তিআউ তুরেল মনাক্তগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফাবা ঙমখ্রে।

ফাগৎলবা হিরোইনশিং অদু সাপোন কেফ ৬৬ তা পেক তৌরগা পুরকপনি অমদি পোৎলমশিং অসিগী অরুম্বনা গ্রাম ৭৮০ নি হায়রি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মখা তানা লিগেল প্রোসিদিং চখনবা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক দিপার্টমেন্টতা শীন্নখ্রে হায়রি।

## য়াবা টেব্লেটকা কোন্ননা ১ ফারে

শিল্লোং, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) না মেঘলায়াগী সাউথ ৱেষ্ট খাসি হিল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অমা লোনা থিংখ্রবা লুপা লাখ ৫ রোমগী ওইগদবা য়াবা টেব্লেট বঙ্গলাদেশতা পুনবা হোৎনরম্বদগী ফারে হায়রি।

অকক্লবা পাউ অমা ফঙবদগী বি এস এফ পার্সনেলশিং অমদি ষ্টেট পুলিসকী অপুনবা টিম অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা মফম অদুদা চথোক-চৎশিন তৌবা মীওইশিং চেক তৌবদা মীওই অমা য়াবা টেব্লেট ৯৮২ গা লোয়ননা ফাবা ঙমখিবনি অদুবু মফম অদুদগী মীওই অনী অমদি নাম্থোক্তুনা চেনখি হায়রি।

ফারবা মীওই অদু বি এস এফনা ৱাহং-পাউহং তৌবদা পোৎলমশিং অদু ঙমখৈ লাল্লগা বঙ্গলাদেশতা পুশিন্নবা হোৎনরম্বনি হায়বা খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখা তাবা লিগেল প্রোসিদিংশিং লৌখৎনবা ষ্টেট পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## দ্রগ লান্না শীজিন্নবা অমদি লায়েং পথাপকী মতাংদা সর্টিফিকেট কোর্স পাঙথোকখ্রে

দিমাপুর, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

দ্রগ লান্না শীজিন্নবা অমদি দ্রগ এদিক্সনশিংবু লায়েংনবা পায়খৎপা ষ্টেপ মোদ্যুল ১২ গী মতাংদা চথুরকপা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা সর্টিফিকেট কোর্স ঙসি লোয়শিনখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি ষ্টেট লেভেল কোওর্দিনেটিং এজেন্সী অমদি কৃপা ফাউন্দেসন নাগালেন্দনা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱার্মেন্ট অমদি নাগালেন্দ সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা থাসিগী ৩ দগী হৌদুনা চথুরকখিবনি।




ট্রেনিং কোর্স অসিদা অরুনাচল প্রদেশ অমদি নাগালেন্দদগী লাকপা পার্টিসিপেন্ট ২৪ না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা দ্রগ এদিক্সনগী কাউন্সিলিংগী কোন্সেপ, দ্রগ এদিক্সনশিংদা য়াওরিবা স্কিলশিং, কনফ্লিক রিজোলুসন, কাউন্সিলিং টেক্নিক, কাউন্সিলিং মনুংদা ইশা চেকশিনবগী মরুওইবশিং, ৱারী ৱাতাই শানবদা হোংলকপগী মতাং, নুপীবু নীংথিনা শকখঙবা অমদি দ্রগ এদিক্টশিংগী ইমুং মনুংশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নবা অমদি মখোয়বু নিশা চাবা তোক্লরগা অমুক হন্না চারক্তনবনচিংবগী মতাংদা তাকপী তন্বীখি।

ট্রেনিং কোর্স অদুগী মনুং চন্না পার্টিসিপেন্টশিংনা চুমুকেদাদা লৈবা সালোম রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থা অসিগী ৬ তা ফিল্ড ভিজিট চৎখিবগা লোয়ননা সেন্টর অদুগী ষ্টাফশিংগা ৱারী-ৱাতাই শাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

লোয়শিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ৱাঙো লাংশিমনা পার্টিসিপেন্ট পুম্নমক্তা সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

নাগালেন্দগী হায়র এন্দ টেক্নিকেল এজ্যুকেসন মিনিষ্টর তেমজেন ইমনা অলোংনা কৃপা ফাউন্দেসন নাগালেন্দবু ইভেন্ট অসি শীনবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## ডা. ইলা লোধতা পোস্থুমস ‘নারি শক্তী পুরুস্কার’ পীরগনি

অগরটলা, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

ত্রিপুরাগী শক্নাইরবা গাইনিকোলোজিষ্ট অমদি হেল্থ সর্বিসকী হান্নগী দিরেক্টর ওইরম্বী ডা. ইলা লোধতা লৈখিদ্রবা মতুং পীবা লেমজনিংঙাই ওইরবা ‘নারি শক্তী পুরুস্কার ২০২০’ থা অসিগী ৮ দা ন্যু দিল্লিগী রাষ্ট্রপটি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পীরগনি।

নারি শক্তী পুরুস্কার অসি সেন্টর লৈঙাক্না নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা অমদি নুংঙাই য়াইফনবা চোকথবা লৈতনা তৌরম্বা থবকশিংবু শকখঙবিদুবা চহী খুদিংগী পীবা এৱার্দনি।

চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব দেব কুমারনা ফোঙদোরকখিবদা, শক্নাইরবা গাইনিকোলোজিষ্ট ডা. ইলা লোধনা নুপী খুন্নাই অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা চোকথবা লৈতনা হোৎনরম্ববু শকখঙবিদুনা নারি শক্তী পুরুস্কার ২০২০ গীদমক খল্লকখিবনি অমদি মহাকপু লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ খুৎশিন্নগদৌরিবা অসি ষ্টেট অসিগীসু চাউথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনা লাম্থোক্কদৌরিবা এৱার্দ অসি ডা. ইলাগী মচানুপা দেবানজান লোধতা খুৎশিন্নগনি।

নিংশিংবা য়াবদি, ডা. ইলা লোধ চহী য়ামশিল্লকপগা মরী লৈনবা অনাবনা মরম ওইরগা মমাং চহীগী জুলাই ১৯ দা কোলকাটাদা লৈখিদবনি।

## ইন্টর্নেসনল ৱিমেন্স দে লাকপদা য়ুক্রেনিয়ন নুপীশিংগীদমক লাই খুরুমখ্রে

ইটানগর, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):


রসিয়াগী লানদা কনশিল্লকপনা মরম ওইরগা য়ুক্রেনদা নুপী অঙাংশিংগী অৱাবগী ৱারীনা থল্লবা মরকসিদা, অরুনাচল প্রদেশকী মনুংচন্না লৈবা মিআওগী নুপী গ্রুপ অমনা ইন্টর্নেসনল ৱিমেন্স দেগা মরী লৈননা য়ুক্রেনগী নুপী অঙাংশিংগী ওইবা স্পিসেল সোলিদেরিটি প্রেয়ার অমা চাংলাং দিষ্ট্রিক্টকী নিওটনদা লৈবা সেক্রেট হার্ট চর্চতা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে।

ইষ্ট অরুনাচল প্রদেশকী মনুংচন্না লৈবা মিআও দিওসেসিগী ৱিমেন্স কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট লিক্রো মোসাংনা ফোঙদোকখিবদা থমোয় শোকনিংঙাই ওইরবা য়ুক্রেনগী নুপী অমদি অঙাংগী ফোটোশিংনা মফম খুদিংমক্তা চায়দুনা লৈরে অমদি করম্বা মতমদা লোয়শিনগনি খঙদ্রিবা ৱাখল লৈতবশিংগী লান অসিনা য়ুক্রেনবু ঈগী নোং চুহন্দুনা অৱাবা ফীভমদা লৈরি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, ৱিমেন্স দেনা লাকপসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা য়ুক্রেনিয়ন নুপী অমদি অঙাংগীদমক ঈশ্বরদা থৌনিজবগা লোয়ননা মখোয়গী ৱাখল অমদি হকচাংগী থেংনরিবা অৱাবশিং অথুবদা লোয়শিনবা ওইরসনু হায়খি।

প্রেয়র মিট অদুদা মিআওগী খৃষ্ট দ লাইট চর্চ অমদি নিওটনগী সেক্রেট হার্ট চর্চকী নুপী ৭০ না শরুক য়াখি।

# CROSSWORD-3467



### ACROSS
1 Insurance contract (6)
4 Phases (6)
8 High-IQ organisation (5)
9 Simple songs (7)
10 Simple and natural in manner(7)
11 Supple (5)
12 Principal church of a diocese(9)
17 Make amends (5)
19 Wretched (7)
21 Recuperate (7)
22 Liquor (5)
23 Trill (6)
24 A sculptor's work (6)

### DOWN
1 Large treeless plains in South America (6)
2 Madman (7)
3 Fad (5)
5 In name only (7)
6 Corn for grinding (5)
7 Female sibling (6)
9 Water-based paint (9)
13 London cricket ground (3,4)
14 Omitted (4,3)
15 Soft tissue in bones (6)
16 Sheep's coat of wool (6)
18 Happen (5)
20 Dalai Lama's land (5)

**Solution 3466**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3866**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 7 | | | | 3 | |
| | 2 | 3 | 9 | 6 | | | | 7 |
| | | 1 | | | 2 | 8 | | 6 |
| | | | 4 | 7 | | | | |
| | 1 | | | | | | 2 | |
| | | | | 9 | 3 | | | |
| 5 | | 6 | 3 | | | 4 | | |
| 1 | | | | 4 | 5 | 3 | 7 | |
| | 8 | | | | 7 | | | |

**Solution-3865**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 6 | 8 | 4 | 5 | 2 | 1 | 9 |
| 2 | 1 | 8 | 7 | 9 | 3 | 5 | 4 | 6 |
| 9 | 4 | 5 | 6 | 2 | 1 | 8 | 7 | 3 |
| 1 | 9 | 3 | 5 | 8 | 2 | 7 | 6 | 4 |
| 6 | 5 | 2 | 3 | 7 | 4 | 1 | 9 | 8 |
| 8 | 7 | 4 | 1 | 6 | 9 | 3 | 2 | 5 |
| 3 | 8 | 7 | 9 | 1 | 6 | 4 | 5 | 2 |
| 5 | 2 | 9 | 4 | 3 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 4 | 6 | 1 | 2 | 5 | 8 | 9 | 3 | 7 |

# /EMPLOYMENT NEWS

## NABARD CONSULTANCY SERVICES (NABCONS) INVITES APPLICATION FOR MIDDLE LEVEL CONSULTANT RECRUITMENT 2022

Middle Level Consultant

Job Location:
- Agartala - West Tripura
Last Date: 10 March 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
NABCONS Vacancy 2022
NABCONS Vacancy 2022 Recruitment 2022 Details
Job Role Middle Level Consultant
Education Requirement B.Sc, M.Sc
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Agartala
Age Limit Age as on 01 February 2022: Minimum 24 years and Maximum 65 years
Experience 1 - 4 years
Salary 41000 - 50000(Per Month)
Posted on 02 Mar, 2022
Last Date To Apply 10 Mar, 2022

Educational Qualification: B.Sc, B.Tech/B.E, M.Sc, M.E/M.Tech

NABARD Consultancy Services (NABCONS) is a wholly owned Company of NABARD and a leading consultancy organization in the field of agriculture and rural development (www.nabcons.com). NABCONS invites ONLY ONLINE applications from Indian Citizens for the post of Middle Level Consultant (01 Post) for handling ‘Tribal Development Projects’ under Farm Sector Development Department of NABARD in the state of Tripura.

1. Name of the Post: Middle Level Consultant
2. No of Post: 01
3. Place of Posting: Tripura
4. Minimum Educational Qualification: Graduate/post-graduate in Agriculture and allied subjects i.e. Agriculture, Horticulture, Forestry, Agricultural Engineering, Dairy Technology, Veterinary and Animal Science only.
5. Minimum Experience: 1-4 years’ experience in Natural resource management/ Financing/ Value chain management/ Agri. Marketing based projects/studies.
6. Other Criterion:
i. Should have experience in field monitoring and evaluation of NRM projects or tribal development projects
ii. Should have database management knowledge
iii. Must be proficient in MS Office, MS Power Point, MS Excel
iv. Should be proficient in the State language
7. Remuneration: Candidates will be paid consolidated monthly remuneration (u/s 192 of the IT Act) based on the experience and educational qualification and overall suitability of the candidate for the posts as under: Rs.41,000 - 50,000/- PM
8. Contract Period: The Contract Staff (Middle Level Consultant) will be appointed on contract basis initially for a period of one year which may be extended subject to annual review of their satisfactory performance of duties and requirement of the project.
9. Termination of contract: The contract service will be of temporary nature and can be terminated by giving notice period of three months.

Pay Scale:
INR
41000 - 50000(Per Month)

Age Limit: Age as on 01 February 2022: Minimum 24 years and Maximum 65 years

Selection Procedure

1. Only Shortlisted candidates will be called for the interview and may also be assessed for their proficiency in MS Office/ data management. Location for the interview will be indicated in the call letter. The candidates may kindly note that any cost incurred by them for attending the interview will not be reimbursed by NABCONS.

2. The interview may be held in person or through virtual mode as may be required.

3. The applicant may submit the declaration in the Google form with respect to the educational qualification and experience. Self-attested copies of educational qualifications and experience certificates to be compulsorily submitted at the time of the interview. Original documents would be required for verification.

How to Apply:

1. Interested candidates may apply online in the prescribed format within 10 days from 01 March 2022 to 10 March 2022 by clicking on the following links and filling the details therein: Middle Level Consultant https://forms.gle/hPGTGaUCLEr1V5EH7

2. In case the above link does not work, you may also copy and paste the link in your web browser and fill the details therein.

Important Dates:

Published on: 02 March 2022
Last date for application is: 10 March 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification







